**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-05-2026)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ঙসি ৫২ শুবা ওল মনিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা ফেষ্টিবেল অদু হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপালনা ফেষ্টিবেল ব্রোদচর অমসুং সেমিনার বুক ফোংখি।

ফেষ্টিবেল অদু হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল অসি শুপতগী ঠিয়েটরগী কুম্মৈ নত্তে। মসিদি মনিপুরগী হিংদুনা লৈরিবা হেরিটেজ অসিদা ইকায় খুমবা উৎপনি। মহাকা হায়-চহি কয়া শুমাং লীলা অসি মীয়ামগী ঠিয়েটর ওইদুনা লৈরি। মসিনা লমদম অসিগী সংস্কৃত্তি ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা সমাজ অসিগী মমি তাহল্লি। শুমাং লীলানা মীওইবগী লমচৎ শাজৎ, অচুম্বা, শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবগী পাউজেল পীরি। শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিংনা অসিগুমবা আর্টফোর্ম অসি মখা তানা চত্থবীনবা মহাকা আপিল তৌখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্যপালনা মমাংদা পাঙথোকখিবা ৫১ শুবা ওল মনিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা অখন্নবা সো ওইনা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী লীলারোইশিংনা শান্নবা লীলা-পুন্সি মথেল উৎখি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিনবা ফেষ্টিভেল অসি মথং থাগী ১৬ ফাওবা চত্থগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা নুপী কাংলুপকী সুমাং লিলা ১৪ অমদি নুপা

কাংলুপকী সুমাং লীলা ১৩ য়াওনা পুন্না সুমাং লিলা ২৭ উৎকনি। ফেষ্টিবেল অসিগী হয়েং অহৌবা নুমিৎতা নুপীগী কাংলুপ্তা ইম্ফাল ঠিয়েটরগী ‘মজা ইবেন্মা থোই’ অমসুং ৱিমেন দান্স এন্দ দ্রামিটিক য়ুনিয়নগী-লিক্লাং পরেং উৎকনি।

নুপাগী কাংলুপনা মথং থাগী মরিদগী শান্নবা হৌগনি।

**ফেষ্টিবেল(এল)ঃ** ১৬ অমসুং ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড ২০২৪ অমসুং ২০২৫ য়েন্থোক্লগনি।

থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯ দা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনা মথুম য়েন্থোক্কনি।

**অৱাংবৌ (এল)ঃ** থা অসিগী ১৩ দা লাইলোন ৱাইফৈ ভিলেজতগী ফাখিবা নাগাগী মীওই তরুক্কী মতাংদা কুকি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা করিগুম্বা অমত্তা খঙদে হায়রিবা ৱাফম অদু অরানবনি।

নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এ) না শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়-নুমিৎ অদুদা কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ৱাইফৈ খুল ভিলেজতগী মতৈ-মনাও অমদি মচা য়াওনা পুন্না মীওই ১৮ ফাজিনখিবগী মনুংদা নুমিৎ নিনি লৈরগা হায়বদি, মে ১৫ দা মখোয় ১২ থাদোরকখিবনি। মখোয় থাদোকখিবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং নুমিৎ অদুদা পুন্না ফামীন্নরগা হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা লৈরিবা অসিদা য়াওরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা কুকি সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনা হৌজিক মফম খঙদনা লৈরিবা নাগা খুঞ্জা তরুক্কী মতাংদা করিমত্তা খঙদে হায়না ফোংদোরকখিবা ৱাফম অসি অরানবা অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

শ্রী অৱাংবৌ ন্যুমাইনা মখা তানা হায়-নুমিৎ অদুদা ফাখিবা মীওইশিংগী

মনুংদা নাগা তরুক হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা অমদি লংলা লংজিল অমত্তা খঙদনা লৈরি হায়বসি নুমিৎতুদা ফামিন্নখিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদুনা লেংদ্রবা শাক্কিনি। মরম অদুনা, থিবা খঙদ্রিবা মীওই তরুক্কী ইমুং মনুংদা মসিগী চপ চাবা পাউখুম পীফম থোকই অমদি সরকারনা অথুবা মতমদা থিজিনদুনা ফাখিবা মীওইশিং অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা স্বার্থ থমদনা থাদোকবা অমসুং থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনখি।

**খৌপুম (এল)ঃ** নোনে জিলাগী খৌপুম সব-দিভিজনগী মখাদা লৈবা গোইতাং খুলদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ অদুৰাইদা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা মফম অদুদা লৌ উদুনা লৈরিবা লৌমীশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অদুবু খৌপুম এরিয়া ভিলেজ ওথোরিতি কাউন্সিল অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

মফম অদুগী মীয়াম অমসুং খৌপুম এরিয়াগী মীয়ামনা মখোয়গী মরমদা তোইনা অসিগুম্বা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। সরকারনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎতুনা চীংখোঙ চীংয়াদা ঙাকশেলগী থবক কনখৎপীনবা দাবী তৌরক্লি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা হকশেলগী খুদোংচাবশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা ঙসি অখন্নবা জন ঔসাদি কেন্দ্র অনি হাংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি ভারতত্তিয়া জন ঔসাদি পরি য়োজনাগী মখাদা ঔসাদি কেন্দ্র অদু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল জিরিবামগী ও.পি.দি. অমসুং কেজ়য়েলিতি ৱার্ডতা হাংদোকখিবনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা আয়ুসমান ভারত হেলথ একাউন্ট (অভা)

আই.দি. শেমনবা কেম্প অমসু হৌদোকখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা হায়-জন ঔসাদি কেন্দ্রশিং হাংদোক্লিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, অফবা মখলগী জেনেরিক হিদাক অমসুং সরজিকেলগী পোৎলমশিং অতাবা মমলদা ফংহন্নবনি। মসিনা অনাবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি।

**চীফ সেক্রেটরি (এল)ঃ** রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা হায়রি-সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং ভারত অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিককী লমদা চাউখৎলকপা মতমদা মনিপুর অসি ভারতকী ওইনা লল্লোন ইতিক্কী লমদা খ্বাইদগী মরুওইবা লমদম অমা ওইরক্কনি।

মনিপুর সরকারগী ত্রেদ কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ বিভাগনা শিনদুনা ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর এন্দ প্লগ এন্দ প্লে ইনফ্রাষ্ট্রকচরঃ ষ্টেট রেদিনেস ফোর গ্লোবেল মেন্যুফেকচরিং অমদি নেসনেল এন্দ ষ্টেট সিঙ্গল ৱিন্দো সিষ্টেমগী মখাদা ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপকী থৌরমদা শ্রী গোয়লনা হায়-ৱার্কশোপ অসিনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মসিদা নত্তনা লৈবাক্কী অমসুং রাজ্য অসিগী সিঙ্গল ৱিন্দো সিষ্টেম ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর প্লগ এন্দ প্লে ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবগী হীরম কয়াদা মীৎয়েং থল্লি।

**কো (এল)ঃ** থা তরুক চত্থগদবা ৭৮ শুবা কোওপরেটিব মেনেজমেন্ট, জ্‌নিয়ার বেসিক ত্রেন্নিং কোর্সকী দিপ্লোমা কোর্স ঙসিদগী ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা সেন্টর ফোর কোওপরেটিব মেনেজমেন্টকী হোলদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়ননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা কোর্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা কোওপরেসনগী সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. মালেমঙানবা চেংলৈনা হায়-কোরপোরেটিব মুভমেন্ট অসি য়ামা মরুওইবা থবক থৌরমশিং

ওইরি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিং মপুং ওইনা এগ্রীকলচর, হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট, কঞ্জুমর সার্ভিস, মাকেটিং সেক্তরশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী মচাক অমসু ওইরি। থা তরুক চথুগদৌরিবা ত্রেন্নিং অসিদা শরুক য়ারিবশিংনা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা কয়া থেংনবা য়াই। অদুবু ত্রেন্নিং অসি লোইরবা মতুং কোওপরেটিব মুভমেন্টকী ওইবা ৱাখল্লোন অমা শুংশোই শোয়দনা ফংবা ঙমগনি।

**বোদি(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী মোইরাং কম্পু চিংখৈ চীং ময়াদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নুপাগী অশিবা হকচাং অমা ফংলে হায়রি।

পোরোম্পাৎ পুলিসকী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন অসিদা কেস অমা লৌখৎতুনা জেনিমসকী মোর্গতা মশক খঙদোকবা থল্লি। হকচাং অসি পুমথবনা মরম ওইবনা নীংথিনা খঙদোকপা ঙমদ্রে। মীওই অসি অমুবা চেপল, তাৱেল অমা য়াল্লি, ব্লু-ব্লেগকী লোং পেন অমা শেৎলি। কনাগুম্বনা হকচাং অসি থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং অমা ফাওবগী মনুংদা লৌরদ্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা এস.দি.পি.ও. ফুংয়ার, কামজোংগী এস.দি.সি, লিলোং অমসুং হৈনোপোক্কী মৈরা পায়বীশিং, শিংজমৈগী সি.এস.ওশিং, চন্দ্রখোংদা লৈবা সোসিএল মেদিয়া ইনফ্লোয়েন্সরশিং, ইরেংবম প্রাইমারি স্কুলগী প্রিন্সিপাল, খুলগী খুল্লাকপা অমদি জাতি কাংলুপশিংগা পুন্না ফম্মীন্নদুনা ৱারী শাবগী থবক মখা তানা চথুরি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, সেক্যুরিতি অমদি মীয়ামগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবনি। মীফম অদুদা মীয়ামা য়ারিবমখৈ তোকঙা শন্দোকপীদনবা অমদি অরানবা পাউ থাজবীদনবা খঙহনখি।

লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎথরিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী শরুক অমা ওইনা অসাম রাইফলসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং তেংনৌপল জিলাগী মফম কয়াদা যোগা অমসুং হকশেলগী তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈথেলমানবী গেরিসনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মীওই ৬০ হেনবদা যোগা শান্নবনা অনাবা মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনখি।

**সেন্টরঃ** মীতোপ চংশিল্লকপা অমসুং অতৈ মরমশিংনা হান্না লৈজরম্বা মীশিংদগী হেনগৎলক্লিবা অসি থেংননবা কেন্দ্রনা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেমখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-কমিতি অসি সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী জজ-প্রকাশ প্রভাকর নাওরেকরনা সভাপতি ওইগনি। মসিদা সেন্সস কম্মিস্নার অমদি হান্নগী আই.এ.এস. ওফিসার-দুর্গ শঙ্কর মিশ্রা, হান্নগী আই.পি.এস. ওফিসার-বালাজি শ্রীভাস্তবা অমসুং ইকোনোমিষ্ট-ডা: সমিকা রবি য়াওরি।

গৃহ মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি (ফোরেন্নরস-আই) না মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা কমিতি অসিদা য়াওগনি। মমাং চহিগী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা ন্যু দিল্লিগী লাল কিলাদগী ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা দেমোগ্রাফিক্তা অওনবা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী কমিতি শেমবা লাউথোকখিবনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-মীতোপ চংশিল্লকপা অমদি অতৈ মরমশিংনা দেমোগ্রাফিকতা চাউনা অকায়বা পীদুনা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা অমসুং তুংদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-ঙমখৈগী সেক্যুরিতি অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক বি.এস.এফ, লান্মী, এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং নাগরিকশিংনা

ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা লৈ।

রাজস্থানগী বিকানর ময়াদা লৈবা বি.এস.এফ. সনচু পোষ্টতা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা মখল মরিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অসিনা ঙমখৈ পরিংদা শিংনরকপশিং মতিক চানা ঙাকথোকপা ঙমগনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ঙমখৈগী সেক্যুরিতি ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ঙমখৈদা লৈরিবা খুলশিং অমদি খুঞ্জাশিংগী চাউরবা দায়ত্ব লৈ অমদি খুলশিং অসিদা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিং মপুং ফানা চৎনহনগদবনি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিগী ফ্রেমৱার্কতা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্লে। আমর্দ ফোর্সেস অমসুং পেলা-মিলিটরি ফোসর্সেসশিং মতমগী মতুং ইন্না চাউখৎহন্দুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা চপ চানা লান্থেংনরি।

**কাংঃ** ২৬ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নীংশিং ক্মওন লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কে.কে.সি.ও. কৈশামথোং কেন্দ্রনা মরান্বা হিয়াংলম কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১২-১১ দা থোইখ্রে।

হয়েং লাংমৈদোং হিয়াংলম কেন্দ্র অমসুং এল.এস.কে. (বি) ৱাঙ্গোই লন্বা থেংনরগনি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-অনৌবা ইমাগী মঙালনা পথাপ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-ক্রুগপুনা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ফোর্স-ক্ষেত্রিগাউনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

কোংবম ধোবি লম্পাক সেদোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু রন-১১৯ দা থোইখি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমশাংগী তাউথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ডল্লিয়ু.সি. লংথাবালনা ৱাই.টি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংমখোংবু রন-১১৩ দা থোইখি।

মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা সেদো-থাংমৈবন্দবু রন-২১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** চহি ১৪ মখাগী মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ ৱান ট্রোফিগী অহানবা সেমি ফাইনেল হয়েং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা-আর.সি.এ. লিলোংগা সেদো থাংমৈবন্দগা শান্নরগনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলনা থাংজ নুমিৎতা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইগা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈগা শান্নগনি।